ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

(অনীশুবা পন্দুপ : Entrepreneur & Entrepreneurship)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

(হান্নগী মখা)

ময়াম্বু খুরুমজরি। হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী চেফোঙদা মায় পাকপা Entrepreneur অমা ওইনবগী গুনশিংগী মনুংদা মঙা হায়বদি

১) থৌদাং লৌবা (Initiative)

২) খুদোংচাবা কোইথি থিবা (Looking for opportunity)

৩) তৌগদবা থবক নাচংনা তৌবা (Commitment to work)

৪) ইশানা ইশাবু থাজবা (Self confidence) অমদি

৫) থবক্কী য়াকা য়াৎথোকপা (Proper planning)

হায়রিবশিংসিগী মতাংদা নৈনখ্রে। মখা তারকপা ওইনা লেমহৌরিবা গুন খরগী মতাংদা অমুক নৈনরসি। গুনশিংদুদি -

৬) নীংহন্নদবা : ঐখোয়না তৌরু তৌরুবা থবক খুদিংমক লোইনা মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে। হৌরকপদদি মায়থীবা হায়বসি লোইনা থেংনবা ঙাক্তনি। হায়নবা লৈ মদুদি 'মায়থীবা হায়বসি মায় পাক্লনবগী য়ূম্বীনি'। অদুবু ঐদি মসি কয়া য়ানীংদে। মরমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন মায়থীরবা মীওইশিংগী মনুংদা খরখক্তংনি কোন্না মায় পাক্লিবদি, অয়াম্বনদি নিংহন্নদুনা মায়থীবখক্তংনা পন্থুং ওইনরিবনি। মতাংসিদা পঞ্জনীংলিবদি থবক অমা তৌরুরগা মায়থীরবদি, নীংহন্নবা তৌদনা মায়থীরিবদুগী মরম খঙদোকপা তঙাইফদে। মরমদু খঙদোক্লবদি, মতুং তারকপদা মদু তৌবীদ্রগা লোইরে। তৌদবা য়াদবা ওইরগনা অতোপ্পা মওংদা নৎত্রগনা মহুৎ শিনবা য়াবা অমা থিবীগদবনি। মরম অদুনা করিগুম্বা থবক অমা তৌরুরগা মায়থীরবদি নিংহন্নবগী মহুত্তা মথক্তা পঞ্জরিবশিংসি ওইনা তৌবীরবদি খরদং ওইরবসু কান্নগদ্রা খনজে।

৭) মতম মফম খঙনা শীজিন্নবা : 'মতম' হায়বসি খ্বাইদগী তাঙবা অমদি অমুক হল্লক্লরোইদবা, মীপূম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা ফংবা, শকউদবা অমনি। ঐখোয় অয়াম্বনা মসি থওইনা খনজিল্লুদে। ঐখোয়গী খুন্নাইদা মতম মাঙহনবগী চৎনবী লৈ। চা গ্লাস অমা থক্লগা চায়োনফমদা কুইনা ফমদুনা ৱারেম ঙাঙবা, গুৱাহাটি ফাওবা চৎলুদ্রিবা মীওইদুনা অমেরিকাগী ৱারী ফজনা হেক মরীবা, পাউচে হঞ্জিন-হঞ্জিন পুং কয়া চঙনা পাবা, মীনা তানীংই-তানীংদে খঙদনা ৱারী পংশা-শাবা, পংলি লীবা অসিনচিংবশিংসি মতাংসিদা পনবা য়াই। কনাগুম্বনা খনবীরম্বা য়াই মদুদি ঐদি ইচা-ইশু শেম্বা লোইরে, অদুনা নুংঙাইথোক্লিবনি , ঐনবু হৌজিক করি থবক তৌগদৌরিবনো? অসিনচিংবা। অদুবু অমুক মুন্না খন্থরুরবদি তৌবা য়াবা থবক ময়াম অমা শোয়দনা লৈগনি। মরম অদুনা মরু ওইনা নহাশিংনা অমদি মায় পাকপা Entrepreneur অমা ওইনীংবা মীওইশিংনা 'মতম' মফম খঙনা শীজিন্নবা তঙাইফদে।

৮) ঙাঙথোরকপদা মওং মরীল তানা ঙাঙবা : হৌরকফম, Environment অমদি genetic character নচিংবগী মতুংইন্না মীওইবগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ খেন্নে। ৱাফম অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাঙবা, য়াম্না কা হেন্না ঙাঙবা, করি হায়নীংলিবনো খঙদনা ঙাঙবা, মফম-মতম চাদবা, কোচি-কোরাং থাংদুনা ঙাঙবা, ঙাঙবদা মীঙোন্দা খুদোনবী থিন-থিন্দুনা ঙাঙবা, মানদা ঙাঙনবা হোৎনবা, মীনা ঙাঙবা তাদবা অসিনচিংবশিংসি মায় পাকপা Entrepreneur/মীওই অমা ওইনবগী গুন নত্তে। 'মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা' হায়নরিবনি। মরম অদুনা মরীক চুম্বা অমদি লৈবাক মচা তাবা ৱাঙাঙ হায়বসি মায় পাক্লবগী মরম অমনি।

৯) থবক তৌবদা চেকশিন খোইজিনবা : ইনখৎলকপা নহাশিংদা তোয়না থোকপা থৌওং অমা হায়রবদি থবক তৌবদা চেকশিনবা ৱাৎপা অসিনি। মসি নহা খুদিংমক্কীদি নত্তে, কনাগুম্বা নহা খরদি য়াম্না চেকশিনবসু য়াওই। 'চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফদি-ফরা শাই' হায়নরিবনি। ঐখোয় অয়াম্বনা খজিক্তং মায় পাকপা হৌরকপদা চেকশিন্দবা অমদি নাপল কাবা হেনগৎলকই। মসিনা চাউনা মায় পাক্কদবা থবক অমা মায়থীনবগী মায়কৈদা পুরকপা য়াই। খুদম ওইনা পল্লবদা থবক অমগী লোইশিল্লমদাই হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি। তাঞ্জা অসিদা চেকশিলহৌদ্রবদি মতম চঙনা অমদি শেল থাদদুনা তৌজরিবা থবক্তু মওং তাদবা ওই। মরম অদুনা থবক তৌবদা চেকশিনবা হায়বসি মায় পাকপা Entrepreneur অমা ওইবদা তঙাইফদে।

১০) লাল্লোং শিনবা (Strategic Management) : Entrepreneur অমা নৎত্রগসু ইচম চম্বা মীওই অমা, তৌগদবা থবক য়ামখৎলক্লবদি পঙশিল্লি, ফুম্বংনৈ অমদি তৌফম খঙলক্তে। অদুনা অমসু-অমসু নংননবা পঙতৌ তৌশিল্লি অদুগা মায় পাকপদি ওইগন্দে। মরম অদুনা ঐখোয়না তৌগদবা থবকশিংগী অহান-অকোন, থবকশিংদু করম্না তৌগনি অমদি করম্বা কান্দা তৌগনি হায়বসি খঙদোক্লবদি ইরায় লায়না অতেনবা মতমদা থবক য়াম্না মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমই। অদুনা তৌগদবা থবক খুদিংমক্কী লাল্লোং শিন্দোকপা হায়বসিসু মায় পাক্লবগী মরম অমনি।

১১) মতমগা চুন্নবা কান্নবা পাউ লৌশিনবা : ঙসিগী চাওখৎলবা টেক্নোলোজিগী মতম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা হায়রগদি মতমগা চুন্নবা কান্নবা পাউ লৌবা হায়বসিসু অমনি। হৌজিক্কান্দি মতম লেনবদা ৱান্নদ্রে। ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, ৱাটসএপ অদু-অদা... য়েংলিঙৈদা মতম হৌখিবা খঙনহৌদে। মীওই খরদি অপলোদতা অদুম লৈবা অদুগা খরনা দাওনলোদতা অদুম লৈবসু য়াওই। মসিদা অপলোদ অমসুং দাওনলোদ তৌনরিবা মীওইশিংসি মশাগী অমসুং খুন্নাইগী কান্নরবদি অফবা থবক অমনি। অদুদি নত্তদনা য়েন অমা লৈরুবগী অপলোদ, য়েন্দু শেম্বগী অপলোদ, থোংবগী অপলোদ, চাবগী অপলোদ ... মদু অমুক য়েংনবগী দাওনলোদ.... কান্নে খল্লগদি ফৈ নৎত্রগদি মতম অমদি দাটা মাঙহনবা ওইনা থোক্কনি। মরম অদুনা 'ঐ' মায় পাকপা মীওই অমা ওইগে হায়রবদি ঐনা তারিবা পাউ, মরম চাবা পাউ, অশেংবা অমদি মতমগা চান্নবা পাউ ময়ামসি মথৌ তাই। নেগেটিভ ওইবা খুদম ওইনা অৱা-অনা, হাৎন-শুনবা, ফত্তবা থৌদোক ৱাথোকনচিংবগী পাউ য়াম্না তাশিল্লবদি থবক তৌনীংবগী ইথিল মাঙখিদুনা ৱাখল লমফৈ চৎলকই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা গুন তরামাথোইসি নত্তবা অতোপ্পা গুন খরসু অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোকনৈ। মখা তারকপদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা গুনশিংসি মায় পাকপা মীওই নৎত্রগা Entrepreneur অমা ওইননবা ঐঙোন্দা চেল্লবরা? চেল্লি হায়রবদি য়াম্না ফরে নৎত্রগদি মসিগা মরী লৈনবা লাইরিক পাবীবা য়াই। নৎত্রগসু মসিগা মরী লৈনবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং য়াওবা য়াই। প্রোগ্রাম খরা পঞ্জরবদা Entrepreneurship Development Programme (EDP), Entrepreneurship Awareness Programme (EAP), Motivation গা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং অসিনচিংবনি।

অদোম্না ঐনা ইজরিবা আর্টিকলশিংসি পাবদা খজিক্তং কান্নে হায়না খনবীরবদি অদোমগী মরুপ-মপাং অমদি খঙন চান্নবা মীওইশিংদা স্যের তৌবীয়ু। হেন্না তানবীনীংবা লৈরগদি মথক্তা পীজখ্রিবা E-mail দা চিঠি থাবীরকউ। ইজরিবা ঐনা ৱা ঙাঙবদা মীয়ামদা কান্নগনি খনবীরবসু Phone No. 7005085933 দা ফোন তৌবীরকউ। মায় পাকপা ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংজনবগী তাঞ্জা পীবিয়ু। মথংগী আর্টিকলগীদমক মথংগী য়ূমশকৈশা ঙাইমিন্নরসি। ময়াম্বু অমুক্কা হন্না খুরুমজরি। ●

য়ুসোসিএলিটি (EUSOCIALITY) অমসুং চেঞ্জেস ইন জিনোম

ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র

লিশাং শিৎনা চথরকপা রিসর্চনা তাক্লি মদুদি শা-ঙা অমসুং মীওইবা ফুরুপকী সোসিএলিটি অসি হকচাংদা য়াওরিবা জিনোমনা ইনফ্লুএন্স তৌরি। জীব অমবু শেমগৎলিবা জিনেটিক মেটরিএল অসিনা জীব অদুগী সোসল বিহেবিয়র শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। সোসিও বাইওলোজিনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না চথরকপা রিসর্চনা ইনৌ নৌবা ওইনা ফংবা রিজল্টতা, থৱায় পানবা জীবশিংগী সোসল লাইফ অসিনা মখোয়গী জিনোম ইভোল্যুসন্দা অহোংবা পুরকই হায়বসিনি।

হায়রিবা ইভোল্যুসন পেট্টর্ন অসি ইকুই কুইদ্রিবা Wyatt A shell অমসুং মহাক্কী কাঙবুশিংনা তৌখিবা রিসর্চ অমদা মরিক চুন্না উবা ফংই। Shell না মহাক্কী রিসর্চ অসি য়ুসোসল ওর্গানিজমস হায়বদি খোইশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা তৌখিবনি। Shell গী রিসর্চ অমসুং আর্টিকলগী মখা তারকপা শরুক্তা মখা তানা খঙনবা পারকপদা টর্মস অনী খঙবা য়াম্না মরু ওই -

(১) য়ুসোসিএলিটি - মসি য়াম্না অৱাংবা থাক্কী সোসল ওর্গানাইজেসন হায়রগসু খঙনৈ। মীয়াম্না শীজিন্নবা লোন্দা হায়রগনা মসি কাষ্ট সিষ্টম হায়বদুনি, তৌবতবু সোসাইটিগী লৈরিবা সোসল সিষ্টমসিংদগী মসিনা তোঙাল্লি। কোলোনি অমগী মনুংদা সোসল দিভিজন ময়েক শেংনা থোকই অদুগা কাষ্ট (caste) অমগী ইন্দিভিজুএলদা অতোপ্পা কাষ্টকী ইন্দিভিজুএল অমনা তৌবা ঙম্বা থবক্কী লৌশিং ৱাৎলি, তৌবা ঙমদে। য়ুসোসিএলিটি অসি ইন্সেক্টস, ক্রষ্টেসন্স অমসুং মমলস খরদা উবা ফংই। য়ুসোসিএল জীব কাঙলূপশিংগী মনুংদা hymnoptera অমসুং ISOPTERA হায়বদি ants, bees, wasps অমসুং termites শিংদা য়ুসোসিএলিটিগা মরী লৈনবা রিসর্চশিংদা অনম্বনা চঁখে। য়ুসোসিএলিটি অসি খুদম ওইনা য়েংলবদা, খোই (bees) শিংদা লোইনা য়েংবা য়াই। খোইদা queen bee অমসুং রিপ্রদক্টিভ মেলশিংনা শুপ্পতগী রিপ্রদ্যুসরগী রোল লৌরি। অদুগা soldier অমসুং worker bees না পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা লৈরিবা hive অদু লৈবা য়াবা ফীভমদা শেমগৎলি।

(২) জিনোম - থৱায় পানবা জীব অমগী হকচাংবু শেমগৎপদা য়াওরিবা জিনেটিক মেটরিএল অদুবু জিনোম হায়না খঙনৈ। জিনোম হায়রগদি coding অমসুং non-coding DNA অনীমকপু খঙনৈ (RNA ভাইরসশিংদনা RNAবু খঙনৈ)।

Sociality traits না মোলিক্যুলর লেভেলদা (জিনোমিক লেভেল) করম্বা ইম্পেক্ট লৈবগে হায়না থিজিনবসি অনৌবা সাইন্টিফিক রিসর্চ ত্রেন্দ ওইনা চথরবদি অয়াম্বা মতমদা য়ুসোসিএল ওর্গানিজমদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টদি তৌই। মসিদা মিটোকোন্দ্রিএল জিনোম পূনশিল্লগা প্রোটিন কোদিং জিনশিংগী মোলিকুলর ইভোল্যুসনগী মতাংদা নৈনৈ। কুমজা ২০০৯দা Wilson অমসুং Wolldobler গী রিসর্চতা সোসল ওর্গনাইজেসননা য়ুসোসিএল ওর্গানিজমগী ফেনোটাইপতা অঙকপা ফংনা অহোংবা পুরকই হায়বসু তাকপা ঙমখি।

মখা তারকপদা, Rehan অমসুং Toth না কুমজা ২০১৫দা eusocial অমসুং non-eusocial organism অনীগা জিনোমিক নৈনবদা য়ুসোসিএল ওর্গানিজমশিংদা মোলিকুলর ইভোল্যুসন থোকপগী খুদম ফংলকখি।

অসুম্না চথরকপা রিসর্চশিংদা য়াম্না তোয়না ফংবা রিজল্টতি, জিনোম ইভোল্যুসন অসি দেমোগ্রাফিক হিষ্ট্রি, লাইফ হিষ্ট্রি অমসুং মেটাবোলিক এদাপটেসনগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিনি।

Shell অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা চথখিবা রিসর্চতা য়ুসোসিএল ওর্গানিজমশিংদা জিন কাঙলূপ চাওথোকপা, পোজিটিভ সেলেক্সন অমসুং টেক্সোনোমিকেল্লি রেষ্ট্রিক্টেদ জিনশিং মশীং য়াম্না ফংবা থেংনরকখি। মসি নোন-য়ুসোসিএল ওর্গানিজমশিংদা উবা ফংখিদে।

রিসর্চ ষ্টদি ময়াম অসিগী চপ মান্নবা ফাইন্দিং অমখক লৈ মদুদি ওর্গানিজম অমগী সোসল ইভোল্যুসন্না macro evolutionary genomic অহোংবা (change) পুরক্লবগী য়াম্না অচৌবা অমসুং অঙকপা মওংদা থৌদাং লৌই। প্রোটিন ইভোল্যুসনগী রেট অসি ফাইলোজেনেটিক মরীগা হেন্না নকশিন্নবগী মহুত্তা সোসল কমপ্লেক্সিটিগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈবা ওইনা উবা ফংই। অৱাংবা থাক্কী প্রোটিন ইভোল্যুসন অসি য়ুসোসিএল ওর্গানিজমশিং খক্তদা উবা ঙমখি।

সাইন্টিফিক রিসর্চতা য়াম্না চঙশিল্লুদ্রগসু মীচম ঐখোয়গী লোন্দা হায়রগদি পোকপদা য়াওরকপা গুনশিংদা থৱায় পানবশিংগী লিচৎ-শাজৎ শেম্মী হায়বা খঙনরগা লৈরে। অনৌবা রিসর্চশিংনা ঐখোয়দা তাকপীরিবদি, থৱায় পানবশিংনা অকোয়বদা লৈরিবা ফীভমগী মতুংইন্না চৎলকপা লিচৎ-শাজৎনা গুনশিংদা অহোংবা পীরকই হায়বসিনি। লিচৎ-শাজৎ হোংলকপনা মোলিকুলর লেভেলদা ঐখোয়গী জিনোমদা অহোংবা পীরকই হায়বসি ককনীংঙাই য়াওদ্রে। খন্থরুবদা, মসি শোয়রোই হায়না থাজে। ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা vestigial organs অসি মতম অমদা শীজিন্নরম্বা ঙাক্তনি। মতমগী অহোংবা মতুংইন্না শীজিন্নরক্তবদগী, ফঙ্কসন মাঙখিদুনা vestigial ওইরকখিবনি। মসিসু সোসল ইভোল্যুসননা genomic transformation লাকহনবগী খুদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্কদ্রা। ●

ষ্টেটকী পাউ

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 82/AS & SO/III Date 06/03/2021

Mohamad Zamir Khan, S/o. Jeinul Khan of Irong Chesaba Mayai Leikai
- Petitioner

-Vrs-

Jeinul Khan, S/o. Late Jane Haji of Irong Chesaba
- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal 09/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫ (এ) ইকোপাৎ পাট্টা নং ৫/৮৭০ অরিবা ২১০ অনৌবা দাগ নং ১৮৯ এরিয়া .৪৬৫০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং জৈনুল খান মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,
III Manipur

HL-P/9254/10

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII-KAK

Ref :- Mutation Case No. 206/AS & SO/VIII-Kak of 2021

1. Chingakham Sanatomba Meitei S/o (Late) Yaima Meitei of Tejpur Awang Leikai.
2. Chingakham Ongbi Ibeton Leima D/o Kumar Meitei of -do-
3. Chingakham Roshan Meitei S/o (L) -do- of -do- -Petitioner

-Vs-

(Late) Chingakham Yaima Singh S/o (L) Nityai Singh of Tejpur.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Kakching, the 8th March, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট, খুন নং ৬৯-ময়েংলমজাও পাট্টা নং ৪৭৭ অনৌবা দাগ নং ৮৪৭ এরিয়া ২.৩৮৫ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারীশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **K. Niranjan Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer, Kak

HL-P/9127/10

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref. Mutation Case No. 124/SDC/NTK/2021

1. Maibam Shila Devi, W/o. (L) M. Sarat Kumar Singh of Phubala Awang Maning
2. Maibam Joykumar Singh, S/o. (L) M. Yaiba Singh of -do-
3. Rusish Maibam, S/o. Premjit Singh of -do-
4. Thingbaijam Boboyai Meitei, S/o. (L) Th. Ibomcha Singh of -do-

- Petitioner

-Vrs-

Late Maibam Yaima Singh, S/o. (L) M. Kalachand Singh of Phubala
- Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Ningthoukhong, the 09/03/2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 46-Phubala গী Patta No. 94 (O) 168 (N) C.S. Dag No. 1157, 1154/2842 an area 0.55 acre of ....অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল, লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৫/০৩/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়ারগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

HL-P/9248/10 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Ningthoukhong**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 80/AS & SO/III Date 06/03/2021

Abdul Hakim, S/o. Abdur Rahaman of Irong Chesaba
- Petitioner

-Vrs-

Abdur Rahaman, S/o. Late Angou of Irong Chesaba
- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal 09/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫ (এ) ইকোপাৎ পাট্টা নং ৫/৯২৩ অরিবা ১২ অনৌবা দাগ নং ১৩৪ এরিয়া .৪৩০০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং অব্দুর রহমন মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,
III Manipur

HL-P/9254/10

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

Ref. Mutation Case No. 204/SDC/M Dated 9/3/2021

1. Philem Iboyaima Singh S/o (L) Ph. Chourjit Singh of Moirang Shribon Leikai (0.065 acre)
2. (i) Philem Santosh Singh S/o (L) Sobha Singh of -do- } 0.065 acre
   (ii) Philem Tombung Singh S/o (L) -do- of -do-
3. Philem Ripinchandra Singh S/o (L) Philem Modhuchandra Singh of -do- (0.07 acre)

-Vrs-

1. (L) Philem Maipak Singh S/o (L) Kondumba Singh of Moirang Shribon Leikai.
2. (L) Ph. Chourjit Singh S/o -do- of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Moirang, the 9th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৩২১ (অ) ৮৯৬ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ২২৪৪ অমসুং ২২৪৫ এরিয়া ০.১১ একর অমসুং ০.০৯ একর অপূনবা এরিয়া ০.২০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ কো পাট্টাদারশিং অসিগী মীংদা লৈবা এরিয়াশিং অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি মচা-মশুশিং অসিগী মিংদা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

HL-P/9126/10 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 90/AS & SO/TBL Date. 16/01/2021

Ngathem Abung Singh S/o Ng. Ibotombi Singh of Kiyam Siphai.
-Applicant

-Vrs-

(Late) 1. Ngathem Sanatomba Singh S/o (L) Tonsija Singh of Kiyam Siphai.
-do- 2. Ng. Maipak Singh S/o (L) -do- of -do- -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 03/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং: ২২-কিয়াম সিফাইগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৯৫৩ (অরিবা), ৫৫২/১০১০ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ২২৫৪, এরিয়া হেক্টর ০.২১৮০ চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত: ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারশিংগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মশুনুপাদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9258/10

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 177/AS & SO/TBL Date. 27/02/2021

1. Ningthoujam Jiten Singh S/o (L) Ibobi Singh of Khangabok Awang Leikai.
2. -do- Sanjoy Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Shachikanta Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Anil Singh S/o (L) -do- of -do- -Applicants

-Vrs-

(Late) Pattadar Ningthoujam Ibobi Singh S/o (L) Leirenjao Singh of Khangabok Awang Leikai- Co-Pattadar No. 2. -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 03/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ৩৩/১০৪৩ (অরিবা) পাট্টা নং ১৪৩৭ (অনৌবা) দাগ নং ৪৪২৮ এরিয়া .৩৪৩৫ হেক্টর চাওবা ইংখোল অমদি পাট্টা নং ৩৩/১০৫৪ (অরিবা) ১৪৩৯ (অনৌবা) দাগ নং ৪৪৩০ এরিয়া .০৪৫০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার নিংথৌজম ইবোবী সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিশিং (এপ্লিকান্ট) মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9258/10

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 79/AS & SO/III Date 06/03/2021

Muhammad Islamuddin, S/o. Late Md. Abdurjan of Irong Chesaba Mayai Leikai
- Petitioner

-Vrs-

Md. Abdurjan, S/o. Late Md. Dali of Irong
- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal 09/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫ (এ) ইকোপাৎ পাট্টা নং ৫/৮৬৭ অরিবা ৩৯ অনৌবা দাগ নং ১৯৩ এরিয়া .৫১৫৪ হেক্তর চাওবা ইংখোলা অসিগী পাট্টাদার নং এম দি অব্দুরজান মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,
III Manipur

HL-P/9254/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।